

# “মণিপুরী ফিল্মগী ফিদাদা অখন্নবা পাউদম”

## সুর মৈতে

(মঙাশুবা তাঙ্কক)

মণিপুর সিনেমানা মাইথোঙ খংঙান ঙাম্থোরকখিবসি করাম মনিমোহন্না প্রদুসর ওইদুনা পুথোকখিবা ‘মতমগী মণিপুর (১৯৭২)’ না মকে শেন্বা লোইরগা হোলদা মীয়াম হুপ্পা য়েংবা ফঙখিবদগীনি হায়নবা অমা লৈ। ফিল্মসিনা হোলদা থোক্লক্তুনা স্কিলদা অহিংবা শক্তম কয়ানা ব্রা ঙাংলকপা মীৎকুপ্তুদা অঙকপা ফাওনখিবদবদি নত্তে। ফিল্ম করিনো খঙদবা কয়া অমগী মফমদদি হঞ্জিন-হঞ্জিন য়েংনিংবগী ইখৌ লাংবা ফাওনখিদবসু নত্তে। নুংঙাইবা, অঙকপা অমদি ইখৌ লাংবা কয়াগী মরক্তা শাফোংখিবা ‘মতমগী মণিপুর’ ফিল্মসিনা টিকেট কক্তুনা য়েংনখিবা মণিপুর ফিল্মগী লমদা অহানবা হায়বদু ওইরি।

কে টি ফিল্ম প্রাইভেট লিমিটেটকী ভেনর মখাদা পুথোকখিবা ফিলম অসিগী ষ্টোরি অরামবম সোমেন্দ্রোনি। দেবকুমার বোসনা দাইরেক্টর অমা ওইবগী চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা পুথোকখিবা ফিল্ম অসিগী ম্যুজিক দাইরেক্টরনা এ শ্যাম শর্মানি । এ লোকেন্দ্রোনা দাইলোগ, মধু বেনজিনা এদিটর, এম কে বিনোদিনি অমদি পুরেন্দ্রানা রিলিক্স, সি ঐচ কলমলা, এ জমুনা অমদি এ বুধচন্দ্রনা প্লে বেক সিঙ্গর ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফিল্ম অসিনা রবিন্দ্রা, বিরবাবু, ইন্দিরা, রোমা, মেধা, রাশি, লোকেন্দ্রা, তোম্বা, অমুজাও, অমিতা, শ্যাম, বেবি, ডাঃ এম নর, এন লানথোন, মণিববু, বিশমবোর, ইমো, ইবোহনবি, অশোককুমার, বোইনাও, মোমোন, বিনোদকুমার, বি এন পটনাইক, পি ভেনজি, কানানবালা, বিমলা, রিতামনি, মেমা অমদি পুর্নামালা নচিংবা আষ্টিশিংনা শক্তম লাংখি।



ফিল্ম অসিগী অশন্বা ৱারীদি অমিন ওইবা তোন্সগী মচানুপা অনী অমদি মচানুপী অমা লৈ। মচানুপা অহল ইবোহল য়াম্না কেথোকপা তোন্নানবা মীনি। মহাক্কী নুপী তম্পাক অশেংবা য়ুমগী মৌ অমাগী শক্তমনি। মনাও নুপা ইবোতোম্বী চাবা য়াম্না পান্বা, খঙশাও শাওগনবা, মানা নিংবা থুংদবা য়াদবা মীতানি। অদুগা মচানুপী অতোম্বী অদুমদি মতমগী চপ চাবী কোলেজগী মহৈরোই অমনি। তোন্সনাদি মমিৎতা শেলতা উদুনা লৈ। শেলতবু খল্লিঙৈদা মচাশিংবু নিংথিনা নাওকোল্লকপা ঙমখিদে। মসিগী মহৈনা মচানুপা অহলগী পুন্সিদা নৎতবা লন্বী অশুম চৎখিদুনা মপুন্সি মাঙহঞ্জখি। ফিভম অদু য়ৌরবা ফাওবদা খোঙফম হোংদ্রবা তোন্সনাদি পৈদা অদুমক



লাইচুনা লৈ। ইবোতোম্বী অরিবা মুৎথৎলগা অনৌবা পুরক্কনি হায়বা ৱাখলদা লৈখি। অদুগা অমত্তা পোকপী মচানুপীদি কেথোকমনবদগী অশুম মাঙখি। মমৈথাংদা তোন্সনাগী ইমুং মনুং অমগা অমগা ৱাখল্লোন চুশিন্নবা ঙমদবদগী মচেৎ তানা কায়খি। অকায়বা লিক্লি মচেৎকুম শমজিন্নবা ৱানা থোকখি। মশা-মশাগী অশোইবা অমদি অশোনবা কয়া অদু খঙনরকপদগী করম তৌদুনা মরা তানা ইংনা তপ্পা পানবা তোন্সনাগী ইমুং ওইখি ? হায়বসিনা অচৌবা ৱাহং অমা ওইরিবা অহানবা মণিপুর ফিল্ম ‘মতমগী মণিপুর’ নি।

হৌজিক হংনরক্লিবা ৱাহংদি করাম মণিমোহন্না প্রদুসর ওইরগা পুথোক্লিবা কে টি ফিল্মগী ‘মতমগী মণিপুর’ না ইহান হান্বা মণিপুর ফিল্মনি হায়না পুৱারীদা থন্নগদ্রা হায়বসিনি। ঙাংনরক্লিবশিং অসিগী রুট অমা হায়বা তারগদি ফিল্মসিগী খ্বাইদগী চাওরবা থৌদাং লৌরিবা দাইরেক্টর, স্কিল প্লে অসিদি ৱেজ বেঙ্গল ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী মমিং লৈরবা দেবকী বোসকী মচানুপা দেবকুমার বোসনা তৌখি। কনাগুম্বা ক্রিটিক খরনা অমুক থন্নক্লিবা ৱাফমদি মতমগী মণিপুরগী ইকান কান্নদনা পুথোকখিবা এস এন চানদগী ‘ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা’ না অহানবা মণিপুর ফিল্ম ওইফম থোকই হায়বসিনি। ৱাফমসি ফোংদোক্নরক্লিবসিগী মরম অমা হায়বা তারগদি ‘ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা (১৯৭৩)’ ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টর, প্রদুসর, এক্টর, স্কিপ রাইটর, ম্যুজিক দাইরেক্টর মৈতৈ মচা এস এন চানদনা ওইখি। ফিল্ম অমগী য়াংলেন শরু ওইরিবা মথৌ পুন্নমক মৈতৈ মচানি। ফিল্ম অসিনা অহানবা মণিপুর ফিল্মগী পুৱারীগী মকোক্তা লৈফম থোক্তবরা হায়বসিনি।

নৈনবা হৌরগদি ৱারোইশিন অমদি শোইদনা পুরক্কনি, লংলা পুথোক্লগদি লংজিন থেংনফম থোকই। হেন্না অশেংবা মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারীগী লংলা-লংঞ্জিন কুপশেল শেন্নরিবা ক্রিটিকশিংনা পুথোকপা ওইরসনু । হৌজিক হায়বা মীকুপসিনা ঐখোয়না খঙমিন্নরিবসু মরিপুরী ফিল্মগী পুৱারীগীদি অহানবা ফিল্মদি ‘মতমগী মণিপুর’ না ওইরি হায়বসিনি।

ইং ১৯৭২ ত্তী পারাগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারী লৈজরে। শেল য়াম্না চঙদনা ফিল্মগীদমক ৱাজরন্নবা, চেন চোংজরম্বা লময়ানবা ফিল্ম মেকরশিং, প্রদুসরশিংবু হৌজিক্কী মীরোলনা কাউফম থোক্তে। লময়ানবশিংনা ফিল্মগী শেংলবা মৈরা চুখৎপীরম্বনা মণিপুর ফিল্মগী ফিদা মালেমগী মীয়াম মরক্তা তিনবা ঙন্নিবনি।

(মথং মথং...)





















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*